# ‘ইদ উল অধাগী য়াইফ পাউজেল পীজরি, নুমীৎসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবা য়ারোই’




ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : জুলাই ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইস্লাম লাইনিং চৎলিবা মৈতৈ পাঙল ইচিল-ইনাওশিংগী ওইবা খ্বাইদগী হেন্না খৌরাংনা ঙাইরকপা ইদ উল অধানা লাকপদা লৈবাক মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা ইরমদম অসিদা লৈরিবা কাঙলুপ/ফুরুপ খূদিংমক্কী মরক্তা হেন্না নুংশিনবগী মরী অদু চেৎশিনবা ওইরসনু। তৌবতবু য়াইফরবা নুমীৎ ইদ উল অধাগী নুমীৎ অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়োনবা অমদি চাবা য়ারোই। করিগুম্বা নুমীৎ অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবা থেংনরবদি এম এম দব্লিয়ু ওগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ব্রাঞ্চশিংগী থৌমীশিংনা লোগী ওইবা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট এস কে ৱাজিদ শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মিনুথোং মনাক্তা লৈবা হট্টাগী লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, অসিগুম্বা য়াম্না শেংলবা নুমীৎ অসিদা করিগুম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা অমদি য়োনবগী থবক অসি তৌদনবা হোৎনবদা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু। ইদ উল অধাগী কুম্মৈ অসি ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়াওদনা পাঙথোকমিন্নসি। লোয়নন জুলাই ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ উল অধাগী নুমীৎ অসিদা ইরমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী মীওইশিংনা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক, ব্লোকেদ অমদি এজিটেসননচিংবা মখল অমত্তগী থবক তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

অসিগুম্বা কুম্মৈ অসিনা লাকপদা মালেমগী ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীপুম খূদিংমক্না হরাওনা কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লরিবনি। নুমীৎ অসিদা হজরট ইব্রাহিম খলিলুল্লাহনা মহাক্কী মচানুপা হজরট ইস্মাইলবু অল্লাহ মপু মহাক্কী য়াথং মতুংইন্না কুরবানি তৌনবা হায়রকপদা হরাও হরাওনা য়াদুনা মহাক্কী মচাবু কুরবানিগীদমক থৌরাং পুন্লোই লোইশিল্লকপদা অল্লাহ মপুনা উবীরদুনা অমদি পেনবীরদুনা জনটতগী দুম্বা লৌথোক্লগা কুরবানি অদু পাঙথোকখি। অসুম্না মপুগী য়াথংবু তুংইন্দুনা ইস্লাম লাইনিং চৎলিবা মৈতৈ পাঙল ইরৈচাশিংনসু মানা মানা ঙমজবা থৌরাং তৌদুনা কুরবানি পাঙথোক্লি। নুমীৎ অসিনা লাকপদা তোল্ল-তারবশিং, কনা লৈজদ্রবশিংবুসু মীনুংশিগী মীৎয়েং য়েংবীদুনা চপ মান্নবা থাক্তা কুম্মৈ অসি অমনা অমবু ইনভাইট তৌনদুনা পুন্না পাঙথোকমিন্নসি হায়খি।

# খম্বা-থোইবীদা য়ুম্ফম ওইবা ট্রেনিং কম প্রদক্সন হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা মালোম তুলিহল অৱাং লৈকায় নুপী চাউখৎ থৌরাং লূপনা পুথোক্কদবা খম্বা-থোইবীদা য়ুম্ফম ওইগদবা ট্রেনিং কম প্রদক্সন প্রোজেক্ট হৌদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অজাদি অকা অমৃট মহোটসব থৌরমগী মনুং চন্না ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাস শর্ম্মনা অথোইবা মীথুং, পদ্মশ্রী এৱার্দী ৱারেপ্পা নবনা থৌরম মপু, নেসনল সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী শৌগ্রাকপম হেমন্তনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

খম্বা-থোইবীদা য়ুম্ফম ওইবা ট্রেনিং কম প্রদক্সন প্রোজেক্টকী থৌরম অদুগা মরী লৈননা সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দী শৌগ্রাকপম হেমন্তনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না হৌদোকপীখিবা আর্টিষ্টশিংগী ওইবা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাঙ (সী এম এ টি)না ঙসিদি আর্টিষ্ট কয়াদা কান্নবা পীবদা নত্তনা পেন্সন স্কিম ফাওবা পীবা হৌখ্রে। মসিনা আর্টিষ্টশিংনা থেংনরিবা অৱাবা খরদি অদুম্মক কোকহনবা ঙম্লে। মখা তানা আর্টিষ্ট খূদিংমক্তা কান্নবা ফংহন্নিংবগী অপাম্বসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর জি ধর্ম্মদাসনা ফোঙদোকখিবদা, দিপার্টমেন্টনা পীরিবা গ্রান্ট অসিগা চান্নবা মওংদা প্রদক্সনশিং পুথোকপীরক্কবা আপীল তৌজরি। আর্টিষ্টশিং অমদি লীলা কাঙলুপশিংনসু থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদুনা লৈরিবা আর্টকী তোঙান তোঙানবা মশকশিং মাঙদনা তুংগী মীরোলগীদমক থম্লমসি হায়নসু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি হৌদোক্লিবা প্রদক্সন অসি মায় পাক্না পুথোকপীরকউ হায়বা ৱাফমসু থমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা পদ্মশ্রী এৱার্দী ৱারেপ্পা নবনা ঙসিদগী হৌনা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা খম্বা-থোইবীদা য়ুম্ফম ওইবা ট্রেনিং কম প্রদক্সন প্রোজেক্টকী থৌরম অসিগী মনুং চন্না তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমদি তৌহন্নিংবা থবক কয়াগী মতাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক হৌজিক ইরমদম মণিপুর অসিদা আর্টকী লমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অমদি আর্টিষ্টশিংনা অসিগুম্বা অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিদগী কলচরবু মতৌ করম্না কনগদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

# নোংমগী ওইবা এৱেয়ের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস ): দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱেয়ের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা সেকমাইগী কৌজেংলৈমা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এ ঐচ সর্ভিসেস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সেকমাইদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱেয়ের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা হৌজিক হৌজিক মরুওইনা মণিপুরগী মফম খরদা থোক্লিবা অফ্রিকান স্বাইন ফেবরগী মতাংদা নীংথিনা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা ইম্পোর্টেন্ট পোর্সাইন দিজিজ ট্রিটমেন্ট, প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল; সাইন্টিফিক রিয়ারিং ওফ পিগস অমদি গাইদলাইন্স ওন কনফার্মেসন ওন এ এস এফকী মতাংদসু ভেটিরিনরিগী ডোক্তরশিংনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা মচা খায়না তাকপী তম্বীখি। নোংমগী ওইবা এৱেয়ের্নেস কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ডা. আর কে খোগেন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, ডা. পি কৃষ্ণমোহোননা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি ডা. কে ঐচ ইবেতোম্বীনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী মফম খরদা মায়োক্নরিবা অফ্রিকান স্বাইন ফেবর অসি অতোপ্পা মফমশিংদা মখা তানা থোক্লক্তনবা অমদি মতৌ করম্না লায়না অসিদগী লাপ্না লৈবা ঙমগদগে হায়বা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুবু সেকমাইগী মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চাউনা মায় পাকহনবীবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# থৌবালদা আই দি সী এফকী থৌরম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস ): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার এ সুভাশ, আই এ এসনা ইন্টেন্সিফাইদ দাইরিয়া কন্ট্রোল ফোরনাইট (আই দি সী এফ)কী থৌরম হৌদোকখ্রে।

আই দি সী এফকী থৌরম হৌদোকখিবা অদু হন্দক চহীগী জিরো চাইল্ড দেথ দ্যু টু দাইরিয়া হায়বা থীমদা পাঙথোকপনি। ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা কেম্পেয়ন অসি দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবালনা শীন্দুনা পাঙথোকপনি। কেম্পেয়ন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি দাইরিয়াদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি, লায়না অসিনা মরম ওইদুনা অশি-অনা থোকহন্দনবা অমদি লায়না অসিনা নারল্লবসু মদুদগী করম তৌনা ঙাকথোক্কনি হায়বনচিংবা মীয়ামদা মাঙজৌননা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

ঙসিদগী হৌনা আই দি সী এফকী চথুগদৌরিবা কেম্পেয়ন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার এ সুভাশনা ফোঙদোকখিবদা, আই দি সী এফকী কেম্পেয়ন ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা অসি লায়না অসিদগী ঙাকথোক্কবা অমদি লায়না অসি মীওইবদা মতৌ করম্না চঙহল্লোইদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা এৱেয়ের্নেস পীনবগীদমক্তা পাঙথোকপনি। করিগুম্বা লাইবক থীবদগী মরম অমা নৎত্রগা অমদগী দাইরিয়ানা নারকপদগী মীওইবগী হকচাংদা থোক্লকপা য়াবা মাঙজবা কয়া অমদি হোস্পিটাল পুখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা য়ুমদা মতৌ করম্না চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদগে অমদি দাইরিয়ানা নারবা মীওই অদুদা ওরেল রিহায়দ্রেসন সোল্যুসন (ও আর এস) য়ুমদা শেমদুনা পীথক্কদগে হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সী এম ও ডা. ৱাই নোকুল, এম ঈ এস, জেদ ঈ ও থৌবাল এ অনিলকুমার, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী এম এস ডা. সী ঐচ মেমচা, দি পি ও আই সী দি এস সেল টি ঐচ সুরঞ্জয়না মথংশিংনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অশা ৱার্কর কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা জিঙ্ক টেব্লেট অমদি ও আর এস পেকেটশিংসু য়েন্থোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।০৬।২০২২ ইং, ইরাই;
ইঙেলগী ৯নি পানবা।

মেষ: ইমুং-মনুং অমদি মীয়ামগা ৱাখল মান্ননা চৎকনি, লন চাওখৎকনি। নীংথিনা খল্লগা পাঙবা থৌরম অয়াম্বা মহয় য়ানগনি। অঙম্বনা য়ানবা চৎপদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: মরুপ খনবা লুই অমদি ঙক কনবনা লন ময়েং তাগনি। নীংবদি থুংগনি, মীয়াম্না য়াম্না থাগৎপিগনি অমদি আশা চাওবা কান্নে। অশাওবনদি কায়নহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: য়েক্লবদি খুদুম চনগনি, থৌনা হেনগৎকনি অমদি লন চঙগনি। মরুপ-মপাংগা মরী ফবা ৱাৎলি-ৱা ঙাংবদা খরা চেকশিল্লু। নথক থোংবনা য়েৎপদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

কর্কট: লৌশিং অদুক য়াম্না লৈরগা অমদি পোরম শীনবসু হৈরগা করিগী চীংনরি? মাঙলোমদা চঙশিল্লু অমদি লৈজবা লৌশিং ফুদোকহৌরো- মমায় পাক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাংথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: নথক থোংবগা ৱাখল তান্নদবা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, ওইজ-ওইথক ফংগনি। মীতোপ লোয়নবা অমদি লম চৎপদি নচাক নরল চেকশিনবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: অশাওবা, নাপল অমদি হেন্না আশা চাওরুবনা মাঙজবা য়াই-নথক থোংবগী ৱা তাউ। থেংলপ্পা শীনবা লাঙবা হৈবনা থবক পাঙগনি, মীংচৎ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খোয়রাংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

তুলা: অয়াম্বা লমদা মায় পাকচবগী নুংঙাইজবা লৈ, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি। লাঙতক্লবা ফাথরবা অমদি ইমুংগী ৱা তারবদি পামদবা নংলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃশ্চিক: খল্লুদবা কান্নবা শোয়দনা ফংগনি, নুংঙাইবা পাউসু তারগনি, লৌশিং লৈনা থৌপাঙবা ঙমগনি অমদি লেঙদবা লন চাওখৎকনি। য়েৎনবদি পক্লদে।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

ধনু: নোল্লুক্লা চৎলু, ঈরাং পুগনু, মীরক্তা চঙবদা পুক্লিং ফাথৌ, ৱানোম থৌনোম তৌরুনু-মদুতনা মায় পাক্কনি। লল্লোন ঈতিক্তদি চাওনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- অনৌবা আশা লাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

মকর: অনীংবা থবক পাঙগনি, মীনসু থাগৎপিগনি, য়েক্লবা হন্থগনি, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি। অদুবু য়েক্লবনা ওৎপনা পোত্থাফম খঙদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবদি থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

কুম্ভ: নচাক নরলদি ঙসিসু চাওখৎকনি, অনৌবা লৌশিংসু তানশিনজবা ঙমগনি অমদি নুংঙাইবা পাউ তাজগনি। ৱাখল থেল্লদি মীপায়বা নংগনি-চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: নক্লবা মী লোয়নবা কান্নগনি। অফবা মফম কনবসু ঙমগনি। নচাক নরলদি চেকশিল্লু, অকাওবদগী নরল মাঙগনি। মরুপ কায়নদনবা নোল্লুক্লা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# অহোবা য়া মেনবদা শীজিন্নরিবা

লৌশিং পুক্কে

## পোৎলমশিংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংনা য়াওবনা মীওইবগী হকশেলদা শোকহল্লি



চাবা থকপগী মওং মতৌ হোংলকপগা লোয়ননা য়ারী-য়াখোঙ নাবা, য়া হোবা অমসুং তীন চাবগী থৌওং তোয়না থেংনরি। দেন্টেল এমালগম হায়না খঙনবা য়া অহোবা মেনবদা শীজিন্নরিবসি মর্ক্যুরি, সিলভর, টিন অমসুং অতৈ মেটেল খরনি। মরম অদুনা অহোবা ময়া মেল্লুবা মীওইশিংগী হকচাংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংখৎলকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমগী খঙবা ঙম্লে।

লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মীপুম খূদিংমক্না তৌবা ঙম্বা থবক ওইবনা দেন্টেল এমালগমগী থৌওং অসি চহী ১৫০ রোমগী মমাঙদগী চৎনদুনা লাক্লি। অদুবু য়া মেনবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংনা য়াওবা মরম্না ব্রেন, হার্ট, লংস, কিদনি অমসুং সিষ্টেম শোকহল্লকপা য়াই হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ জোর্জিয়াগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার জিয়াওঝোং জোন য়ু অমদি মহাক্কী কাঙবুনা চখুখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অহোবা ময়া মেনখ্রবা মীওইশিংগী হকচাংদা মর্ক্যুরিগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা অমগী মপুন্সিদা অমুক্তং য়া অহোবা মেনবগী থৌরাং লৌখৎপদা থোইদোক্না অকায়বা লৈতে। অদুবু নিপাল্লক নৎত্রগা মসিদগী হেন্না য়া মেনখিবা তারবদি হকচাংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। নিপাল্লক ময়া মেনখ্রবা মীওইশিংগী ঈদা য়াওবা মর্ক্যুরিগী চাং চাদা ১৫০ রোম হেনগৎলকই। কনাগুম্বা মীওই খরদদি মিথাইল মর্ক্যুরি হায়না খঙনবা খ্বাইদগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মর্ক্যুরি মখল অমগী চাং ৱাংখৎলকপা থেংনৈ হায়রি। মিথাইল মর্ক্যুরিদি শুপ্নগী চাং খরখক্লা হকচাংদা কা-হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই।

অমরোমদা, কনাগুম্বা য়াগী ডোক্তর খরনা মর্ক্যুরিগী মহুত্তা বাইসফেনোল এ নৎত্রগা বি পি এ য়াওবা পোৎলম শীজিন্নরগা য়া মেনবগী থৌরাং লৌখৎনরক্লে। অদুবু থৌওং অদুনা রিপ্রদক্টিভ ওর্গানদা অমাঙ অতা থোকহনবা থেংনখি। রিছার্চরশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ১৫,০০০ দা চখুখিবা ষ্টদি অমদা ৱাফম অসি খঙবা ঙমখিবনি। ষ্টদিগী রিপোর্ট অদু ‘ইকোটোক্সিকোলোজি এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল সেফ্‌টি’ জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি।

মহৌশানা অকোয়বগী ঈশিং, নুংশিৎ অমসুং লৈহাওদা য়াওজরকপা মর্ক্যুরিনা হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা কা-হেন্না খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়বা ৱাফম অসি মমাঙদা খঙনরমদে। মীওইবা খুন্নাইনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না মথং মথং থিজিনবদা মর্ক্যুরিনা নরভস সিষ্টেম, দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম, ইম্যুন সিষ্টেম, লংস, কিদনি, উনশা অমসুং মীৎতা শোকহনবা য়াই হায়বা খঙলকপনি। ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মীওইবগী হকশেলদা খ্বাইদগী চাউনা খুদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না লাউথোকখ্রবা কেমিকেল ১০ গী মনুংদা মর্ক্যুরিসু অমনি।

কুমজা ১৯৩২ অমসুং কুমজা ১৯৬৮ গী মরক্তা জাপানগী মিনামাটাদা মর্ক্যুরিনা মীওইবগী হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগী থৌদোক অমা থোকখি। মফম অদুদা লৈবা এসিটিক এসিদ শুংবা ফেক্টরি অমদগী চেন্থরকপা ফৎতবা মহীনা মনাক নকপা সমুদ্রদা তীনখিরম্মী। মতমদুদি ফেক্টরিদগী চেন্থরকপা ফৎতবা মহীদা মিথাইল মর্ক্যুরি য়াওই হায়বা খঙলমদে। অদুবু অকোয়বদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা সমুদ্রগী ঙা ফারগা চারুবা মতমদা লায়ওং খঙদবা অঙকপা লায়না অমনা নারকপা থেংনখি। মতৌ অসুম্না মীওই ৫০,০০০ রোম লায়ওং খঙদবা লায়না অমনা নারকপগা লোয়ননা মীওই ২০০০ রোমদি কা হেন্না ফীভম শোকচিল্লকপা থেংনখি। অকোনবদা থিগৎনরুবা মতমদা মর্ক্যুরি য়াওবা ঙা চারুবদগী লায়না অদু ওইহল্লকপনি হায়বা খঙলম্মী। মতৌ অসুম্না ব্রেনদা অমাঙ-অতা থোকপা, পেরলাইসিস তৌবা, ৱা ঙাঙবা থোকহন্দবনচিংবা মখল কয়াগী লায়না অদুবু ‘মিনামাটা দিজিজ’ হায়না খঙনখি।

মীওইবনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াগী কোয়লা মৈ থারি। পৱার প্লান্ট, ইন্দষ্ট্রিএল বোইলর অমদি ইমুংগী থবক শীজিন্নবদা কোয়লা মৈ থারি। মসিনা মর্ক্যুরি চাং ৱাংনা থাদোরকপগা লোয়ননা মীওইবদা চাউনা খুদোংথিবা মায়োক্লহল্লি। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ঐখোয়না অয়াম্বা মতমদা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিক ব্লব, বেট্টরি, ইলেক্ট্রিক স্বিটচ, থর্মোমিটর বেরোমিটর, অকে অমৌগী কোস্মেটিক অমসুং ফার্মাস্যুটিকেল প্রদক্টশিংদসু মর্ক্যুরি য়াওই। হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবদি অহোবা য়া মেন্নবা পোৎলমদা মর্ক্যুরি য়াওবগী মতাংদনি। ৱর্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট অমনা হায়খি, য়া হোরল্লগা মেনবগী মহুত্তা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা য়া হোহন্দনবা হোৎনগদবনি। কুচু ঙৌথোকহনবা কোস্মেটিক্কী পোৎলমশিংদা মর্ক্যুরি শীজিন্নবসু থিংগদবনি। কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ‘মিনেসোটা কনভেন্সন ওন মর্ক্যুরি’দা তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা মর্ক্যুরি পোৎলম শীজিন্নবা থিংনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

মমি ৱারী

# থৱান




ঈশৈ লোইশিল্লোনা সাউন্দ এঞ্জিনিয়র মনাক্তা চংঙগা কেবল শৎতোকপা, মসিদি আর্টিষ্টশিংগী মফমদা অচৌবা শীংনবনি। অমুক হন্না থোকহন্নিংদে।